**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

২) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা লৈবাক অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংবু সরকারনা কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙমলোই হায়না ফোংদোকখ্রে।

৩) চহি ৬৪ রোম শুরবী ব্রাইফৈ নুপী অমা ঙসি জিরিবামগী আই.বি. লৈকাইদগী পুলিসনা লৌখৎতুনা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতনা পায়খৎলকপা থৌশিল থৌরাংশিংনা লৈবাক অসিদা ট্যুবরকুলোসিস নাবগী চাং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরে।

অমসুং

৫) বি.জে.পি লুচিংবা অমিত সাহনা ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগী বি.জে.পিগী মেনিফেষ্টো-সংকল্প পত্রা ঙসি রাঞ্চিদা ফোংখ্রে।

------

চাক্কৌবা (এল)ঃ মণিপুরদা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম মহৌশাগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখ্রে। য়ুম পানখ্রবী নিংঙোলশিংনা মপামদা লাক্কুনা মবুং মৌপব্রা অমদি মমা মপাশিংগা মথেল লুকোই লাংদুনা

হরাউ চামিন থকমিন্নবা অমসুং ঙমজবা খুদোল তম্বনা কুম্মৈ অসিগী ফজরবা শক্তম ওইরি। মমাং চহিদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখিদ্রবসু, কুমশি চহিগী ওইনদি মপুং ফানা পাঙথোকখি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবী নিংঙোল ওইবীশিংসু রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লুপ কয়ানা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখি।

মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা অসাম, ত্রিপুরা অমসুং বঙ্গলাদেশনচিংবা মফমশিংদসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখি। তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা থবক তৌদুনা অমদি মহৈ মশিং তমদুনা লৈরিবা মণিপুরী মচাশিংনসু মফমশিং অদুদা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম হরাউ তরামা পাঙথোকখি।

জিরিবাম জিলাদসু জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না শিন্দুনা নিংঙোলশিং মরুওইনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা নিংঙোলশিং চাক্কৌবগী থৌরম অমা জিলা অসিগী বাবুপরা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদু হৌরকপদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা মিনিত অনি তুমিন্না লেপ্তুনা মায়ামা অৱাবা ফোংদোকখি। থৌরম অদু শিনবদা শরুক য়াখিবা জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ই. দেৱান্না, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ঙসিগী নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংবীরকপগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। বোরো বেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা লমতাই খুনৌদসু মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষগী তেংবাংগা লোয়না মফম অদুদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবী নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকপা ঙম্বগীদমকসু লুপ অসিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

অসাম রাইফলসনসু নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরম পাঙথোকখি। ককচিং, থৌবাল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদা পুন্না মীওই ৩০০ লোম শরুক য়াখি। মাইবম লোৎপাচীংদা লৈবা ৩৩ শুবা অসাম

রাইফলসকী এফ কম্পনিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নিংঙোল চাক্লৌবগী থৌরমদা মীওই ৫০ রোম শরুক য়াখি হায়রি। থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী মাইকৈদগী বলাংকেট য়াওনা ফিরোলশিং খুদোল তমখি।

সিএম (এল)ঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা লৈবাক অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংবু সরকারনা কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙমলোই হায়বা ৱাফম ফোংদোকখিবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না য়ানিংবা ফোংদোক্লদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপ খুদিংমকপু মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয় মখোয়গী লৈবাকশিংদা নমদুনা হলহনখিগনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমবু থাগৎপা ফোংদোক্লি হায়না শ্রী বিরেন্না মহাক্কী সোসিয়েল মিদিয়াদা ফোংদোকখ্রে।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি শ্রী অমিত সাহনা ঙসি ঝারখন্দদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা লৈবাক অসিদা আইনা কায়না চংশিল্লকপা মীতোপকী সমস্য অসিগী মতাংদা হাই কোর্টনা অকনবা ৱাফম ফোংদোক্লদুনা সরকারদা মীতোপশিং অসি মশক খঙদোক্তুনা অথুবা মতমদা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তা হলহনখিনবা ৱাফমসু ফোংদোকখিবা লৈরে। ঝারখন্দদা আইন কায়না চংশিল্লক্তুনা লৈরিবা মীতোপশিং অসি বি.জে.পি লৈঙাক লাকপা মতমদা অমমমতা মশক খঙদোকপগী থবক অথুবা মতমদা পায়খৎকনি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরদসু য়ুমলোন্নবা লৈবাক্তগী আইন কায়না মীতোপশিং কা হেন্না চংশিল্লকপনা রাজ্য অসিদা পোপ্পি প্লান্টেসন, ড্রগ করবার, অপুনবগী শক্তম অমদি শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকপগী চৈথেং থেংনরিবনি।

জিরি (এল)ঃ কছারগী জিরি ঘাৎলোমদগী লাকপী চহি ৬৪ রোম শুরবী ৱাইফৈ নুপী অমা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর সিক্স-আই.বি. লৈকাইদা থেংনবদগী জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা লৌখৎতুনা

ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা জিরিবামগী এস.পি. কে.ঐচ. রোবিনসন্না হায়- লমদম অদুগী মৈরা পায়বীশিং অমদি সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংনা মতম চানা পাউ পীরকপদগী নুপী অদু লৌখৎতুনা ইমুং মনুংদা শিন্নখিবনি। জিরিবাম লমদমবু শান্তি লৈবা, ইং তপ্পা লমদম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা ঙসিগী অসিগুমা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়ামা মতেং পাংবীনবা এস.পিনা আপীল তৌখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা উখ্রুল জিলাগী জালেনবুংদা লৈবা গোদ রেসিদেন্সিয়েল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা চেং য়াওনা চান থকবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। মদুদা স্কুল অদুগী ষ্টাফ ৩০ অমসুং মহৈরোই ৩০০ শরুক য়াখি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতনা কৎথোকপগা লোয়ননা অনৌবা থৌওং থৌশিল কয়া পায়খৎপনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসি ট্যুবরকুলোসিস নাবগী চাং শিংথানিঙাই ওইনা হন্থরে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- অপুনবগী থৌনাগা লোয়ননা সরকার অসিনা ভারতপু টি.বি. লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইননবা হোৎনরি। সরকার অসিনা খোঙফম চেৎনা ভারত অসি টি.বি. লায়না লৈতবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা লেপ্তুনা হোৎনখিগনি।

ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না ভারত্তা টি.বি. লায়না থেংনবগী চাং অসি ইং ২০১৫ দগী মমাং চহি ফাওবদা চাদা ১৭.৭ ফাওবা হন্থরে। মসি মালেমগী ওইনা লৈরিবা চাদা ৮.৩ গী চাং অসিদগী শরুক অনি হেন্না হন্থরবনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জে.পি. নদ্দানা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- ভারত্তা টি.বি. লায়না থেংনবগী চাং কা হেন্না হন্থরিবা অসিনা লৈবাক অসিনা টি.বি. লায়নাবু নিংথিনা লায়েংবা অমদি ঙাকথোকবা পায়খৎলিবা থৌওং থৌশিলশিং অসিগী মগুন অদু

ময়েক শেংনা তাক্লি। সরকারনা নেসনেল টি.বি. ইলিমিনেসন প্রোগ্রাম অসি হেন্না পাকথোক চাউথোকা অমদি মপাঙ্গল কন্না লৈবাক শিনবা থুংনা চৎননবা থৌরাং কয়াসু লৌখৎলে।

জয়শঙ্কর ঃ নুমিৎ তরুকনিগী ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং সিঙ্গাপুর খোঙচৎতা মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করগী ঙসি ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিজবেন্দদা থুংখ্রে। মহাকা ওষ্ট্রেলিয়াদা হাংদোকপা ভারতকী মরিশুবা কন্সুলেট শঙ্গাগনি।

ডাঃ জয়শঙ্কর কেনবেরাদা পাঙথোকপা ১৫ শুবা ফোরেন মিনিস্তরস ফ্রেমৱার্ক দাইলোগতসু ওষ্ট্রেলিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রি-পেনি ৱোংগা পুন্না সভাপতি ওইমীন্নগনি। মহাকা ওষ্ট্রেলিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা পাঙথোক্কদবা অনিশুবা রাইসিনা দাউন্দগী হৌদোকপগী মীফমদসু কি-নোট এদ্রেস পীগনি।

থা অসিগী ৮ দা ডা: জয়শঙ্কর সিঙ্গাপুর পাংগনি। মফম অদুদা থিঙ্ক টেঙ্কশিংগী ৮ শুবা রাউন্দ টেবল ওফ আসিয়ান-ইন্দিয়া নেটৱার্কতসু ৱা ঙাংগনি।

এরেষ্ট ঃ কাশ্মীরগী পুলৱামা জিলাদগী পুলিস অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা আইন্না থিংখ্রবা তেরোরিষ্ট গ্রুপ হিজবুল মুজাহিদিনগী হকচিনবা মীওই অমা ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়- পুলিস, রাষ্ট্রিয়া রাইফলস অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা পুলৱামাগী দংগরপোরাদগী মীওই অদু ফাবনি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অদুনা মীওই অদুগী দুকানদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা লোৎশিন্দুনা থন্লম্বা নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখি।

গ্রেনেদ ঃ কাশ্মীর ভেল্লিদা গ্রেনেদ পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীচম ৬ শোক্লে। তেরোরিষ্টনি হায়না চিংনবশিংনা টি.আর.সি ক্রোসিংদা লৈবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী গাড়ি অমদা হেন্দ গ্রেনেদ অদু লংশিল্লকখিবনি।

অদুমওইনমক, হেন্দ গ্রেনেদ অদু মপা শোয়ননা তাদুনা শোরোক্কী নাকলদা পোকখায়বদা মীওই ৬ অদু শোকখিবনি হায়রি। থৌদোক থোকফমদা পুলিসনা কোইশিন্দুনা থিবা হুন্তবগী থবক চথুখি। অদুমওইনমক মীফা মীপুনগী পাউদি লৈতে।

ছত্তিসগর ঃ ছত্তিসগরগী সুকমা জিলাদা মাওইষ্টশিংনা এটেক চথুরকপদা পুলিস কন্সটেবল অনি শোক্লে। কন্সটেবলশিং অদুনা জাগরগুনদা টাউনদা চয়োলগী ওইনা ফম্বা কৈথেলদা মহৌশাগুম দ্যুতি তৌরিঙৈদা মাওইষ্টশিংনা এটেক চথুরকপনি। শোক্লবা কন্সটেবলশিং অদু ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা হেলিকোপ্তরদা পুথোরকখ্রে। থৌদোক থোকফমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্তবগী থবক চথুখি।

ঝারখন্দ ঃ বি.জে.পি. লুচিংবা অমদি কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা ঝরখন্দ বিধান সভা মীখলগীদমক দলগী মেনিফেষ্টো-সংকল্প পত্রা ঙসি রাঞ্চিদা ফোংখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সাহনা হায়- বি.জে.পিনা সরকার পায়রবদি রাজ্য অদুদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ চৎনহনগনি। অদুবু য়ুনিফোর্স সিভিল কোদ অসিদা রাজ্য অদুগী ত্রাইবেলশিংদি কোনশিল্লোই হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

শ্রী সাহনা হায়- সন্থন পরগনজ এরিয়াদগী আইনগী ৱাংমদা চংশিল্লক্লিবা বঙ্গলাদেশিশিংনা রাজ্য অসিগী মীকোক্তা চাউনা অকায়বা পীরক্লিবা অসিগী য়েংলগা অসিগুম্বা মীওইশিং অসি খন্দোকবা অনৌবা আইন অমা শেমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনগনি। অসিগুম্বা মীতোপশিং অসিনা ত্রাইবেল নুপীশিং লৌদুনা ত্রাইবেলশিংগী ওইবা লমশিং মুনবগী থৌওং অসি বি.জে.পিনা য়াবা ঙমলোই। অদুনা অনৌবা আইন অদু চৎনরবা মতুংদা ত্রাইবেলশিংদগী লৌখিবা লমশিং অদু নৌনা অমুক লৌথোক্তুনা ফংফম থোকপা ত্রাইবেলশিং অদুদা খুৎশিন্নগনি।

মীখলঃ সিট ২৮৮ লৈবা মহারাস্ত্রা বিধান সভাগী মীখলগী মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা মতম হয়েংনি। স্ক্রুতিনি পাঙথোকপদা মীরেপ লিশিং

৭,০৬৬ গী মীরেপ চেশিং য়াখ্রে। রাজ্য অদুগী বিধান সভা কেন্দ্র কয়াদা চুংশিন্নরিবা দলশিংগী কাংবুশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপশিং থাদোক্তুনা ফ্রেন্দলি কনটেষ্ট তৌনরি। রাজ্য বিধান সভাগী মীখল তাঙ্কক অমখক্তদা নবেম্বর ২০ দা পাঙথোক্কনি। অদুগা ভোট মশিংনা নবেম্বর ২৩ দা থিগনি।

গান্ধি ঃ কংগ্রেস লুচিংবী প্রিয়াঙ্কা গান্ধি অমসুং লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙসি কেরলাগী ৱায়ানার লোক সভা কেন্দ্রদা মীখলগী ভোৎ খোমখ্রে। মখোয়না মনন্থবাদিদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিংদসু শরুক য়াখি।

প্রিয়াঙ্কা গান্ধিদি বলারদা পাঙথোকপা তোঙানবা মীতিন অমদসু ৱা ঙাংখি। মখোয় অনিমক তোঙান তোঙানবা অতৈ মফম খরদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শরুক য়াগনি হায়রি। প্রিয়াঙ্কা গান্ধিনা থা অসিগী ৭ ফাওবা মফম অদুদা লৈদুনা ভোৎ খোমগনি হায়রি।

মরক অসিদা, এল.দি.এফকী মীরেপ সথিয়ান মোকেরিনা তিরুবমবেদিদা ভোৎ খোমখি।

কাশ্মীর ঃ জম্মু কাশ্মীর বিধান সভাদা বি.জে.পি লুচিংবা শুনিল শর্ম্মবু বিরোধি লুচিংবা ওইনা খনখ্রে। জম্মু কাশ্মীর বিধান সভাদা বি.জে.পিনা খ্বাইদগী চাউবা বিরোধি দল ওইরি। শ্রী শর্ম্ম কিস্তৱারগী পদ্দর-নাগসেনি বিধান সভা কেন্দ্রদগী কারকপনি। মহাক হান্নসু মন্ত্রি ওইরম্লে।

বরধন ঃ কেন্দ্রগী ইনভাইরোনমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি কৃতি বরধন সিংহনা কলম্বিয়াদা পাঙথোকপা কোপ সিক্সতিনগী ১৬ শুবা মীফমদা ঙসি ভারতকী অনৌবা নেসনেল বাইওদাইভর্সিতি ষ্ট্রেটেজি এন্দ এক্সন প্লান ফোংখ্রে। অনৌবা এক্সন প্লান অসিদা মহৌশাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা হোংলক্লিবা অমসুং মসিবু লাকশিন্নবা পান্থৈশিং য়াওরি।

রেলৱে ঃ ইন্দিয়ান রেলৱেজনা ছথ পুজা কুম্মৈগা মরী লৈননা অখন্নবা রেল গাড়ি ১৪৫ চেলহল্লি। ঙসি লৈবাক্কী কোনুং নিউ দিল্লিদগী রেল গাড়ি ২০ কুম্মৈ অসিগী য়েংদুনা দরভঙ্গ, বরাউনি, পাটনা, মুজাফরপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেলহনখি। রেলগাড়িশিং অসি থা অসিগী ৮ ফাওবা চেনগনি। হরাউ কুম্মৈগী মতম অসিদা রেলৱেনা অহেনবা যাত্রিক লাখ ২ নুমিৎ খুদিংগী রেল গাড়িদা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা পান্দম থল্লি।

মরক অসিদা, কেন্দ্রগী রেল মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা ঙসি কেরলাদা অলুভাদগী কোরিকোদ ফাওবগী রেল লম্বীশিং য়েংশিনখ্রে। মহাকা মফম অদুদা পায়খৎলিবা রেলৱে ষ্টেসনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অমসুং রিদিভলপমেন্ট প্রোজেক্টশিংসু য়েংশিনখি।

অমরোমদা, তেলঙ্গনা সরকারনা হাইদ্রবাদ মেত্রো রেল প্রোজেক্ট হৌনবা অয়াবা পীখ্রে। কেন্দ্র অমসুং তেলঙ্গনা সরকারনা পুন্না পায়খৎলিবা অনিসুবা ফেজগী মেত্রো রেল প্রোজেক্ট অসিদা কিলোমিতর ৭৬.৪ শাংবা মেত্রো রেল লম্বী শেমগৎপা য়াওরি।

ইজরেল ঃ ইজরেল্লি স্পেসিয়েল ফোর্সনা অৱাং থংবা লেবাননদা রেইদ চথুবদা হিজবুল্লাহগী মকোক থোংবা লুচিংবা ইমাদ অমহাস ফারে হায়রি। বৈরুটতগী অৱাংলোমদা কিলোমিতর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা বাটরাউনদা ইজরেলগী ইলাইট সায়েতে থার্তিন্না ওপরেসন চথুবদা মীওই অদু ফাখিবনি। ইজরেল্লি দিফেন্স ফোর্সনা ৱাফম অসি চুমলে হায়না ফোংদোকখ্রে। ফারবা মীওই অদু মিলিটরি ইন্তেলিজেন্স য়ুনিতকী কাংবুনা ৱাহং পাউহং চথুরি।

লেবানন মিলিটরিগী ওফিসিয়েলশিংনসু ৱাফম অসি অচুম্বনি হায়না ফোংদোকদুনা হায়- ইজরেলগী নেভেল ফোর্সকী কাংবু অমনা বাটরাউনদা চংশিল্লক্তুনা লেবাননগী নাগরিক অমা ফাখ্রে।

*--হৌজিক শান্নবগী পাউ--*

বোদি বিল্ডর (এল)ঃ মোলদ্বিপসকী কেনারিফ রিজোর্টতা থা অসিগী ৫ দগী ১১ ফাওবা চত্থগদবা ১৫ শুবা ৱার্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডরস এসোসিয়েসন (অম্বা)গী শান্নরোইশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুরগী শান্নরোই মঙানা তোঙান তোঙানবা কেটগোরিশিংদা শরুক য়াগনি হায়রি।

স্পোর্টস ঃ য়ু.এস.এগী কোলেরাদোদা চত্থরিবা চহি ১৯ মখাগী ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা মনিপুরগী সুপ্রিয়া দেবী থোকচোম ফাইনেলদা মায়থিবদগী লুপাগী তকমান ফংলে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপকী ফাইনেলদা সুপ্রিয়াবু ইংলেন্দগী কেটলিন ৱাইজনা মায়থিবা পীখিবনি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৭৫ গী কাংলুপ্তা ভারতকী ক্রিসা বরমা, কিলোগ্রাম ৬৫ দা পারথবী গ্রেৱাল অমসুং কিলোগ্রাম ৮০ মথক্কী কাংলুপ্তা বন্সিকা গোস্বামিনা সনাগী তকমান লৌখি। অদুগা নুপাগী কিলোগ্রাম ৯০ কাংলুপ্তুনা ভারতকী হেমন্ট সঙ্গৱাননা সনাগী তকমান লৌরে। ভারতকী নিশা ইংলেন্দগী এলিস পমফ্রেগী খুৎতা মাইথিদুনা লুপাগী তকমান লৌরে।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৮০ গী কাংলুপ্তা ভারতকী ক্রিতিকা ৱাসন চেক রিপাব্লিক্কী ষ্টেলা ব্লাজকোভাগী মখুৎতা মাইথিবদগী লুপাগী তকমান ফংলে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভারতনা সনাগী তকমান ৪, লুপাগী ৮ অমসুং শেঙ্গেংগী ৫ পুন্না তকমান ১৭ লৌরে।

টিটি ঃ ভেনেনেজ্লাগী করাকাসতা চত্থরিবা ৱার্ল্ড টেবল টেন্নিসতা ভারতকী জ্রা হরমিত দেসাই অমসুং ক্রিৱিতকা রোই মিক্স দবলসকী ফাইনেল চংলে। চেম্পিয়নসিপ অসিগী ফাইনেলদা মখোয়না ক্যুবাগী জোর্জ কেম্পোজ অমসুং

দেনেলা ফোনসেকাগা থেংনরগনি। ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ভারতনা চাইনাগী ৱাং কাইবু অমসুং লিউ সিনরানবু ৩-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

অমরোমদা, নুপাগী সিঙ্গলসতা ভারতকী হরমিত দেসাই পোরতুগলগী জাউ মোন্তেরোগা অমসুং ভারতকী স্নেহিত সুরাভাজ্লানা ফ্রান্সকী জো সেফ্রিদকা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

আরচরি ঃ  সুইটজরলেন্দগী লুজেনদা চথুরিবা সুইটজ ওপন ইন্দোর আরচরিদা ভারতকী অতানু দাসনা শেঞ্জেংগী তকমান ফংলে। মহাকা সুইটজরলেন্দগী থোমাস রফলবু ৬-৪ দা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী রেকবতা শেঞ্জেংগী তকমান অদু ফংখিবনি।

বেদবিন্টন ঃভারতকী মালভিকা বনসোটনা জর্মনিদা পাঙথোকপা হাইলো ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ঙসি দেনমার্ককী মিয়া ব্লিচফেল্ডগা থেংনরগনি। ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মালভিকানা দেনমার্ককী সট্রুলর জ্লিস দৱাল জেকোভসেনবু ২৩-২১, ২১-১৮ দা থোইদুনা ফাইনেল চংলকখিবনি।

------